মরিশুবা ফোদর স্কেমগী কেস : লালু প্রসাদ য়াদব চহী ১৪ জেলদা থম্নবা য়াথং পীখ্রে

পাটনা, মার্চ ২৪ (এজেন্সি):

মরিশুবা ফোদর স্কেমগী কেসতা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি) গী লূচিংবা লালু প্রসাদ য়াদবপু ঙসি চহী ১৪ জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীখিবগা লোয়ননা লুপা লাখ ৬০ ফাইন ওইনা থীনবা খঙহনখ্রে।

সী বি আইগী জজ শিব পাল সিংহনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লালু প্রসাদকী মথক্তা ৱায়েল অসি পীখিবনি। মার্চ ১৯ দা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) গী স্পেসল কোর্টনা রাঞ্চিদা লালু প্রসাদ য়াদবপু শজিক লৈবগী ৱাথোক্তা মরাল লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

জজ শিব পাল সিংহনা লালু প্রসাদ অমদি অতোপ্পা মীওই ১৮ বু কুমজা ১৯৯৫ গী ডিসেম্বর থাদগী কুমজা ১৯৯৬ কী জন্যুৱারি ফাওবদা দমকা ট্রেজরিদগী অরানবা মওংদা লুপা ক্রোর ৩.১৩ লৌথোকখিবগী মতাংদা মরাল লৈরে হায়না ফোঙদোকখি। অতোপ্পা মীওই ১২ দি ৱাথোক অসিদা মরাল লৈতে হায়না থাদোকখি।

মরিশুবা ফোদর স্কেমদা মীওই ৪৭ চেন্নৈ হায়বগীদমক সী বি আইগী স্পেসল কোর্টনা মীওইশিং অদুগী মথক্তা ৱায়েল চথদুনা লাকখিবনি। লালু প্রসাদ য়াদবতি অতোপ্পা কেস অহুমদা মরাল লৈরে হায়না মমাঙদা ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি।

দিওগর ট্রেজরিদগী অরানবা মওংদা শেল লৌথোকখিবগীদমক অনীশুবা ফোদর স্কেমগী কেসতা মরাল লৈরে হায়দুনা লালু প্রসাদপু হৌখিবা ডিসেম্বর ২৩ দগী রাঞ্চিদা লৈবা বিরসা মুন্দা জেলদা থম্লকখিবনি।

কুমজা ১৯৯০ গী পরিংদা চাইবাসা ট্রেজরিদগী অরানবা মওংদা লুপা ক্রোর ৩৭.৭ লৌথোকখিবগী মতাংদসু কুমজা ২০১৩ গী সেপ্টেম্বর ৩০ দা মহাকপু কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না ৱায়েল পীখি। ৱাথোক অসিদা চেন্নবগীদমক লালু প্রসাদপু চহী তরুক চুপ্পা লোক সভাগী মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াহনখিদ্রবনি।

কুমজা ১৯৯০ গী পরিংদা দিওগর ট্রেজরিদগী লুপা লাখ ৮৯.২৭ লৌথোকখিবগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৭ কী ডিসেম্বর ২৩ দা লালু প্রসাদপু চহী অহুম মখায় জেলদা থম্নবা খঙহনখি। চাইবাসা ট্রেজরিদগী লুপা ক্রোর ৩৭.৬২ লৌথোকখিবগী মতাংদনা হৌখিবা জন্যুৱারি ২৪ দা মহাকপু চহী ৫ জেলদা থম্নবা খঙহনখি।

'কুমজা ২০২৫ ফাওবদা টি বি লায়না মুখৎনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু'

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৪ (এজেন্সি):

ৱর্ল্ড ট্যুবরকুলোসিস ডেগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০২৫ ফাওবদা লায়না অসি মরূ ফংনা মাঙহন্নবা হোৎনবদা মরী লৈনবা পুম্নমক্না মতেং পাংবীয়ু হায়না অপীল তৌখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রসিদেন্টনা হায়খি, মালেমগী মফম পুম্নমক্তা পাঙথোক্লিবা ট্যুবরকুলোসিস ডেগী থৌরম লাকপগা ইরোয়ননা মরী লৈনবা মীওই পুম্নমক লায়না অসি মায়োক্লনবা হোৎনবদা খুৎশম্নবা মথৌ তাই। কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াদগী মপূং ফানা ট্যুবরকুলোসিস লায়না মুখৎলগনি।

ইন্দিয়াবু ট্যুবরকুলোসিস লৈতবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মালেমগী ওইনা কুমজা ২০৩০ দা ট্যুবরকুলোসিস মুখৎনবা পান্দম থম্লবসু ইন্দিয়াগী ওইনদি কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা লায়না অসি মপূং ফানা মুখৎনবা হোৎনরগনি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা দিল্লি এন্দ ট্যুবরকুলোসিস সম্মিটতা ৱা ঙাঙখিবদা প্রসিদেন্টনা তমথীরবা লায়না অসি ইন্দিয়াদগী মরূ ফংনা মাঙহনখিনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবনি।

মীপূম খূদিংমক ট্যুবরকুলোসিসকী মতাংদা মমুৎ তানা খঙহনবগা লোয়ননা লায়না অসি লাকশিনবা ঙম্নবগী পান্দমদা চহী খূদিংগী মার্চ ২৪ দা ৱর্ল্ড ট্যুবরকুলোসিস ডেগী থৌরম পাঙথোক্কুনা লাক্লি। কুমজা ১৮৮২ দা রোবর্ট কোচনা ট্যুবরকুলোসিস লায়না ওইহল্লক্লিবা মহিক অদু থেংনখিবা নুমিৎপু নীংশিংবা ওইনা চহী খূদিংগী নুমিৎ অসিদা ৱর্ল্ড ট্যুবরকুলোসিস ডেগী থৌরম পাঙথোকপনি।

অমরোমদা লায়না অসি মপূং ফানা লাকশিন্নবা হোৎনবদা মীপূম খূদিংমক অমদি তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌফম থোকই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল সর্ভেগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা লৈরিবা টি বি লায়নানা নারবা মীওই চাদা ২৫ রোম তোঙান-তোঙানবা মখলগী হীদাক থাবদা কান্নবা ফংদবদগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। মীওই চাদা ৫৪ রোম মতম চানা হীদাক চাদবদগী মল্টি দ্রগ রেজিষ্টেন্ট টি বি নাবা থেংনরে।

টি দি পিনা এন ডি এদগী তোক্লবা ফিরেপ লৌখিবা লাইবক থীবনি : অমিত সাহ



হায়দ্রবাদ, মার্চ ২৪ (এজেন্সি):

অন্ধ্র প্রদেশতা স্পেসল কেটিগরি ষ্টেটস পীনবা ৱাফম তকশিল্লদুনা চন্দ্রবাবু নাইদুনা লূচিংবা টেলুগু দেসম পার্টি (টি দি পি) না নেসনল ডেমোক্রেটিক এলাইন্স (এন ডি এ) তগী তোকখ্রবা মতুংদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী প্রসিদেন্ট অমিত সাহনা হায়খ্রে মদুদি টি দি পিনা নাইতোম লৌখিবা ফিরেপ অদু লাইবক থীবনি। নাইদুদা থাখিবা চেরোল অমদা অমিত সাহনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা এন ডি এ গভর্নমেন্টনা অন্ধ্র প্রদেশ চাউখৎহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা টি দি পিনা এন ডি এদগী খোঙ থাংদোক্লবা ফিরেপ লৌরকপা লাইবক থীবনি।

লোক সভাগী মেম্বর ২৫ লৈবা অন্ধ্র প্রদেশকী এসেমব্লি মীখল কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদবা মরম্না টি দি পিগী ফিরেপ অসিনা বি জে পিদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরগনি হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুনা হায়খ্রে মদুদি বি জে পিনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংদুনা টি দি পিবু লৈবাক মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরি। ষ্টেটকী য়াইফনবগীদমক টি দি পিনা এন ডি এদগী লাপথোরকখিবনি। মহাক্না হায়খি, অন্ধ্র প্রদেশতা লৈরিবা মীয়াম্বু সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা নমথাক তৌবীবদগী পূক্নিং শোক্লবা মীয়ামগী য়েংদুনা খোঙথাং অসি লৌরকপনি।

সেন্ট্রেল জি এস টিদা শেল খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অন্ধ্র প্রদেশসু অমনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিনা সেন্টরদা য়াল্লবা শেনফম অমা পীখৎলবসু সেন্টরনদি ষ্টেট অসিবু মীরাইবগী মওংদা লাক্লে। করিগুম্বা অন্ধ্র প্রদেশতা স্পেসল কেটিগরিগী ষ্টেটস পীবা তারবদি ষ্টেট অসিদা ইন্দষ্ট্রি কয়ামরুম লীংখৎপগা লোয়ননা শেন্মীৎলোন ফগাৎলক্কনি।

কোংগ্রেসনা সেন্টরগী মায়োক্তা থাজদবগী মোসন পুখৎলগনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৪ (এজেন্সি):

মথং চয়োলদা কোংগ্রেসনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মথক্তা থাজদবগী মোসন পুখৎনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। অন্ধ্র প্রদেশ টেলুগু দেসম পার্টি (টি দি পি) অমসুং ৱাই এস আর কোংগ্রেসনা থাজদবগী মোসন পুখৎখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেসনা মথং চয়োলদা নৌনা অমুক এন ডি এ গভর্নমেন্টকী মথক্তা থাজদবগী মোসন পুখৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, লোক সভাদা কোংগ্রেসকী লূচিংবা ওইনা লৈরিবা মালিক অর্জুন খার্গেনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নো কনফিদেন্স মোসন পুখৎনবা শেম-শাবা লোইরে। ওপোজিসন পার্টিশিংনা অমতা ওইনা খূৎশম্নরগা কোংগ্রেসকী থৌরাং অসি শৌগৎকদ্রা নৎত্রগা তোঙান-তোঙানবা মওংদা থাজদবগী মোসন পুখৎকদ্রা হায়বদু চপ-চানা খঙবা ঙমদ্রি।

বি জে পিনা লূচিংবা এন ডি এনা মপূং ফানা মেজোরিটি ওইরিবা মরম্না কোংগ্রেস অমদি অতৈ ওপোজিসন পার্টিশিংনা থাজদবগী মোসন পুখৎলবসু লৈঙাক অসিনা ইন্থুবা ঙম্বগী ফিভম লৈরোই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ইৱাই নুমিৎতা ৱাই এস আর কোংগ্রেস অমসুং টি দি পিনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা থাজদবগী মোসন অমা পুখৎখিবনি। টি দি পিগী এম পিশিংনা স্পীকর সুমিত্রা মহাজন উনদুনা থাজদবগী মোসন অদু হাউসতা দিবেট তৌহন্নবগী মতাংদা তকশিনখি।

ৱাই এস চৌধরিনা লূচিংবা টি দি পিগী এম পিশিংনা স্পীকরদা হায়খি মদুদি এম পি অয়াম্বনা হাউসতা প্রোটেষ্ট তৌরকখ্রবসু তোঙান-তোঙানবা পার্টিগী এম পি ৫০ না মপূং ফানা শৌগৎলকখিবা মরম্না থাজদবগী মোসন অদু হাউসতা দিবেট তৌবা য়াহনগদবনি।

অন্ধ্র প্রদেশতা স্পেসল কেটিগরি ষ্টেটস পীবগী ৱাফমগা মরী লৈননা ৱাই এস আর কোংগ্রেস অমদি টি দি পিগী মেম্বরশিংনা সেন্টরগী মায়োক্তা থাজদবগী মোসন পুখৎখিবনি। কোংগ্রেস য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ওপোজিসন পার্টি কয়ানা মোসন অদু মপূং ফানা শৌগৎখি।

করিগুম্বা থাজদবগী মোসন অদু হাউসতা পুখৎপা য়াহল্লবদি এন ডি এ গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা য়ানিংদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লবগী খুদোংচাবা ফংলগনি হায়না ওপোজিসন পার্টি অয়াম্বনা লৌরি। মরুওইনা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কতগী নমথাক তৌরগা শেল লৌথোকখিবা, ফ্রান্সতগী রফেল ফাইটর জেট লৈবগী ৱাথোক, লৌমীশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অমসুং লৈবাক অসিগী নহারোল কয়া থবক ফংদবগী মতাংদা ওপোজিসনননা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লবগী খুদোংচাবা ফংলগনি হায়রি। অদুম ওইনমক স্পীকরনা হাউসতা থাজদবগী মোসন অদু পুখৎপা য়াহনখিদে।

চৈরকসিদা, এ আই এ দি এম কে অমসুং টি দি পিনা মীখলগা মরী লৈনবা ৱাফম খরদা কন্না য়েৎনরকপদগী পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা চরাংনবা থোকখ্রে। লোক সভাগী ডেপ্যুটি স্পীকরসু ওইরিবা এ আই এ দি এম কেগী প্রোপগেন্দা সেক্রেটরি এম তম্বীদুরাইনা হায়খি, লোক সভাগী মীখল পাঙথোক্কদবা চহী অমরোমতা ঙাইশিল্লক্লবা মরম্না অন্ধ্র প্রদেশকী পার্টি অয়াম্বনা স্পেসল ষ্টেটসকী ৱাফম পুখৎনবা হোৎনরকপনি।

এ আই এ দি এম কেগী পার্লিয়ামেন্টরিয়নশিংনা থংন-থংননা নুমিৎ ১৫ নি লোক সভাগী মীফম মপূং ফানা পাঙথোকপা য়াহনখিদে। কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা খুদোংচাবা ফংনবগীদমক অন্ধ্র প্রদেশকী পার্টিশিংনা স্পেসল ষ্টেটস অমসুং কাবেরি মেনেজমেন্ট বোর্দকী ৱাফম হাউসতা পুখৎলকপনি হায়রি।

ছটিসগরদা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা পুলিস পর্সনেল ৪ শোকহনখ্রে



রাইপুর, মার্চ ২৪ (এজেন্সি):

ছটিসগরগী সুকমা ডিষ্ট্রিক্টতা ঙসি মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিভ ডিভাইস (আই ঈ ডি) পোকখায়হন্দুনা এটেক চথুরকপদা ডিষ্ট্রিক্ট রিজর্ভ গার্দ (ডি আর জি) গী জৱান মরি অশোক-অপন নংলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ডেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সুন্দরাজনা এজেন্সিদা হায়খি, থৌদোক অদু ফুলবাগদি পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সিরসেটি খুঙ্গং মনাক্তা লৈবা উমং অমদা থোকখিবনি। সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মাওইষ্ট লালহৌবশিংগী মথক্তা ওপরেসন চথুরিঙৈদা খঙহৌদনা আই ঈ ডি পোকখায়রকপদা ডি আর জিগী জৱান মরি অশোক-অপন নংখিবনি।

থৌদোক থোকফমদা অহেনবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং থাজিন্দুনা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা পাক-শন্না থিব-হুন্বগী থবক চথুরি। মার্চ ১৩ দসু সুকমা ডিষ্ট্রিক্টতা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা চথুরকখিবা এটেকতা সী আর পি এফকী জৱান ৯ শিখ্রবনি।

টেলঙ্গনা অমসুং ছটিসগরগী লোন্নবা ঙমখৈদা গ্রেহাউন্দসকী পর্সনেলশিংনা লালহৌবা ১০ হাৎখ্রবা মতুংদা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা সী আর পি এফকী জৱান ৯ শিহনখিবনি। মমাঙ চহীগী মার্চ ১১ দসু মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা মফম অসিমক্তদা বোম পোকখায়হন্দুনা সী আর পি এফকী জৱান ১২ হাৎখি।

যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ছটিসগরদা সী আর পি এফকী পর্সনেল ৯ শিখিবগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। জলিয়ান ৱালা বাগতা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা উধম সিংহগী মীতম অমা মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম য়াওবা লাকখিবা যুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, ছটিসগরগী সুকমাদা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা আই ঈ ডি পোকখায়হন্দুনা সী আর পি এফকী জৱান ৯ শিহনখিবগী থৌদোক অদুনা লৈবাক মীয়াম্বু অৱাবা পোকহল্লে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা জৱানশিংগী মফমদা মপূং ফানা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অশোক-অপন নংলবা মীওই পুম্নমক অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু।

ꯈꯪꯖꯤꯟꯕ/মীটিং নোটিস

লাক্লিবা তাং ২৭/০৩/২০১৮ ইংদা হোস্পিটাল মেনেজমেন্ট সোসাইটি প্রাইমারি হেল্‌ঠ সেন্তর, ককচিং খুনৌগী RKS Reformation গী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকচগনি। মরম অসিনা লমদম অসোমদা লৈবীরিবা NGOs, Club, মৈরা পায়বী অমদি মীয়াম্না মতম চানা লেঙবীরক্লবা পাউজেঞ্জরি।

Time : **11:30 a.m.**
Venue : **Primary Health Centre, Kakching Khunou**

পাউজেঞ্জরিবী ঃ **Dr. Th. Binita Devi**
Member Secretary M.O i/c
Hospital Management Society,
Kakching Khunou

HL-P/849/25

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠꯂꯛꯄ/ NOTIFICATION

24th March 2018

Notice অসিনা মরম ওইদুনা **Kangleipak Farmer Producer Company Limited** কী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী Farmer Interest Group (FIG) গী লীদরশিংগী ওইবা মীটিং অমা লাক্লিবা 1st April, 2018 Sunday নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা KFPC গী ওফিসদা পাঙথোকচরগনি। লীদরশিংনা মতম চানা লাকপীদুনা মীফম অসিবু মপুং ফাহনবীনবা খঙহঞ্জরি।

Sd/- Kavita Hijam
CEO, KFPC ☎ 8828174708

HL-P/846/25

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাঙথোংগী মনাক্তা পোমথোরকপা, অমাঙথোং মনুংদা য়াম্না চিকপা নাবা, খাঙবা ঙমদবা, ফম্বা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু খুৎনা ইনশিনবা, মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু হন্না হন্না থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোংগী মনাক্তা পোমথোরকপা, অমাঙথোং মনুংদা য়াম্না চিকপা নাবা খাংবা ঙমদবা, ফম্বা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু খুৎনা ইনশিনবা, মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, অমাঙথোং মনাক্তা পোমথোরকপা অদুগী মতোন্দা নাই চারগা চোৎ চোৎ লাওরগা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ হান্নিং হান্নিং তৌরগা অদুম লৈবা, ঙকশম মরি অমদি লেঙজুম চিকপা নাবা, খ্বাঙ, য়াঙলেন নাবা, ফম্বী শোনবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুক চাকপা শৌগৎপা, মসলশিং চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজরগা হিদাক চাজবদগী ঈশ্বরনা থৌজানবীদুনা ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা নুংঙাইতবা পুম্নমক মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

থাগৎচরিবা: **S. PREMJIT**
Wangoo

HL-P/786/25

ꯈꯪꯖꯤꯟꯕ/NOTICE

It is for general information that Shri Usham Sanayaima Singh S/o (L) Usham Pukchao Singh of Keirak Mamang Leikai, Kakching District who was a partner of **M/S SRAS** (a partnership farm located at Keirak) has retired from the partnership w.e.f 1st April, 2017. So, in place of Shri Sanayaima Singh, his grandson Ananda Usham of Keirak Mamang Leikai has been inducted as a new partner of **M/S SRAS,** Keirak w.e.f 1st April 2017.

***Sd/-* N. Shyamananda Singh**
Managing Partner cum Chief Executive Officer
M/S SRAS, Keirak

HL-P/847/25

ꯌꯥꯝ ꯍꯔꯥꯑꯣꯕꯅꯦ/য়াম হরাওবনে

L. Sudhakar

ঐগী নুপী **S.K. NEIRU** লৈফম **SENAPATI CHRISTA COLONY** দা লৈবীবনে। মহাক্কীনে কিদনীদা নুঙ অমা লৈবীবনে। অদুদা সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈপীরিবা **লাইশ্রম সুধাকর** অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোরগী হিদাক হপ্তা অনী চাবীবদগীনে নুঙ অদু তারকপীবনে। মসিগীদমক মহাকপু ঐখোয়না য়াম হরাওবনে। ঈশ্বরনা থৌজাল পীবীসনু মহাকপু।

***Sd/-* HIINII**
Senapati Christa Colony

HL-P/837/25

[illegible]

পাইলস ফহনবীরিবা ওজা কবিরাজ অব্দুল হক মণিপুরদা অতাংবনি

পাইলসকী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা চহী কয়া অৱাবা খাঙদুনা লাকখি। লাইওংদি:- মরক মরক্তা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, চেকখাইরগা ঈ তাবা, শৌজ নান্থরকপা, শৌজ মনুংদা পোম্বা, শোকপদা নাবা, মরক মরক্তা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপনি। মণিপুরগী ওজা মাইবা কয়াগী হিদাক চাজখি, ফবা ঙমখিদে। অরোইবদা মপুনা চানবীবদগী ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাং (পাঙন লৈরক) দা লায়েংবীরিবা ওজা কবিরাজ **অব্দুল হক** Contact No. ☎ **8014623756 / 9383214747** কী হিদাক চাজবদগী অনাবশিং মপুং ফানা ফজরে অমদি য়াম্না নুংঙাইজরে। ওজাবু মপুনা পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীয়ু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

থাগৎচরিবা : **TH. DHANABIR SINGH**
THANGMEIBAND YUMNAM

HL-P/733/25

ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ/ ইখ্লোল অমা য়োঞ্জরি

থৌদা ভাবোক লৈকায়, *হুইয়েন লানপাউ* প্রেস মনাক্তা লৈবা ইখ্লোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। অপাকপা ফুট ২৮, অশাংবনা ফুট ৪০ নি। কনাগুম্বনা পাম্বীরবদি মখাগী কন্টেক নম্বর অসিদগী অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি।

HL-P/3252/25 ***Contact No.*** **☎ 9402738931**

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা হকচাং নান্থদুনা লৈরম্বদু লিলোং চজিং মাইরেল খোংদা লৈবা **ওক্রম ওংবী মধু দেবী**-না লায়েংবদগী ফজরে। মরম অসিনা ওজাবু মতম পুম্বদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙমহনবীয়ু হায়না ঈশ্বরদা থৌনিজবগা লোয়ননা পাউচেগী খোংদা মহাকপু হন্না হন্না থাগৎচরি।

থাগৎচরিবী ঃ **মুতুম ওংবী সঙ্গীতা**

HL-P3249/25

ꯄꯥꯎꯖꯦꯟꯖꯕ/পাউজেঞ্জবা

এদেদ স্কুলগী পেন্সন অমসুং সিক্স পে অমসুং হিন্দি ওঝা চামা ককখিবা অমসুং ক্লাসকী মতুংইন্না মশীং শুনা হাপ্পনবা তাং ২৮/০৩/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা স্কুল স্কুলগী সেক্রেটরি, প্রসিদেন্ট অমসুং স্কুলগী হেদ মাষ্টর অমসুং ককখিবা হিন্দি ওঝা মশামক খন্নবা য়াওবীরনবা উরিপোক্তা লৈবা থম্বালজাও হায়স্কুলদা লাকপীয়ু।

পাউজেঞ্জরিবা ঃ **শ্রীএন: নোদিয়াচান্দ সিংহ**
এক্স এম: এল: এ অমসুং ফাউন্দর
ফোন নম্বর ঃ **☎ 9774111058**

HL-P/843/25

SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College (Children's Ideal High School)

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE for
CLASS XII Sc. (COHSEM)

Class commencing on 5th April, 2018
Class timing : 4:30 pm - 7:30 pm

Faculty:
- *Miss. Nonibala (Physics. COMET School)*
- *Sir. Sunil (Maths.Former Lec. COMET School)*
- *Sir. Suresh (CHEM. Former Lec. Extra Edge School)*
- *Miss. Leimathoi, (CHEM. MECI Explorer Academy)*
- *Maam. Radharani. (BIO)*
- *Sir. Oken. (English, MECI Explorer Academy)*

Hostel & Van Service available

For more details : 7629855465 / 7005348862

HL-P/5033/8Mar-6May